## নাগালেণ্ডদা ট্রক ড্রাইভর ফাহৌবগী টেঙ্করশিং থাও চিংবা লেপখ্রে

# ওইল পম্পশিং খুদক্তগী থোং লোন্নখ্রে

খৌদাং পাউমীদগী

ইম্ফাল, এপ্রিল ২২ঃ সি আর পি এফ কনভোই মরক্তগী টেঙ্কর ড্রাইভর সুরজিৎপু চিংননিংঙাই ওইবা মওংদা নাগালেণ্ড মনুংদা চিংথরগা ফাহৌবা অদুগী মায়োক্তা টেঙ্করশিংনা খুদক্তগী থাও চিংবা অমদি থাবগী থবক পুন্না লেপখ্রে।

মরকসিদা মসিগী খুদোংচাবা লৌরগা ওইল পম্পশিং খুদক্তা থোং লোন্নখিবদগী মীয়াম্না থাওগীঅৱাবা মায়োক্লবা হৌখ্রে।

অমরোমদনা নাগালেণ্ড মনুংদা ফাহৌবা টেঙ্কর ড্রাইভর অদু ওল মণিপুর পেট্রোয়িলম টেঙ্কর ড্রাইভরস য়ুনিয়নদা শিন্নরক্লিবা ফাওবদি টেঙ্করশিংনা চংশিল্লিবা ষ্টারিং পায়দবগী খোঙজং অসি হন্দোকপা লৈরোই হায়না য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ৱাই ভুপেনচন্দ্র ঘোশনা ফোংদোকখ্রে।

সঙাকফম বজারদগী মশাগী চহী ৪২ শুরবা টেঙ্কর ড্রাইভর শৌগ্রাকপম সুরজিৎ অপোকপা ফজতোন অসি নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৪:৩০ রোম তারকপদা ইম্ফাল তম্না লাকপগী লম্বী নাগালেণ্ডগী খুজুমা নিয়ু পুলিস চ্যেক পোস্ত মনাক্তগী ফাহৌবনি।

নাগালেণ্ডদা লৈবা ৭৮ বট্যালিয়ন সি আর পি এফ (জি- কোয়) গী ইন্সপেক্টর বি পি সিংহনা লুচিংবা কনভোই অমনা অসামগী খটখতিদগী এস্কোর্ট তৌরগা পুরকখিবা গাড়ীশিং অদুগী মরক্তগী ড্রাইভর সুরজিৎপু চিংথরগা ফাহৌরে হায়বসিদা টেঙ্কর ড্রাইভরশিং অমদি য়ুনিয়ননা অঙকপা অমগা লোয়ননা সি আর পি এফকী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোকখ্রে।

অসামগী খটখতিদগী এন আর এলগী টেঙ্কর তরুক, এল পি জি রিফিল্ড বুলেট, ডিজল অমসুং পেট্রোলগী টেঙ্কর ১১৬ থাংজ নুমিৎকী নুমিদাংদা ইম্ফালগীদমক সি আর পি এফ কনভোইনা ঙাক শেন্দুনা সেরিয়েল নম্বর-৪৩ দা লাকখিবা ডিজল টেঙ্কর এম এন ০২-৬২৬৮ গী ড্রাইভর সুরজিৎ অসি নারোলদা চিংথরগা ফাহৌবনি।

ড্রাইভর সুরজিৎ ফাহৌবা অদুনা মরম ওইরগা খুমন লম্পাক আই এস বি টি (ইন্তর ষ্টেট বস টর্মিনস) তা টেঙ্করশিং পুল্লপ পার্ক তৌদুনা ড্রাইভরশিংনা ষ্টারিং পায়দবগী খোংজং অদু চংশিনখিবনি। ইম্ফালদা থুংলদুনা লৈরিবা য়ামদ্রবদা লোদেড টেঙ্কর ২০০ রোম আই ও সিগী ডিপোদা থাও থাদ্রি। অদুগা লোদেড টেঙ্কর ১০০ রোমনা মপান্দা পন্দুনা লৈরি।

য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট ঘোশনা পাউমীশিংদা হায়, নাগালেণ্ড মনুংদা ফাহৌরিবা ড্রাইভর সুরর্জিৎ ওল মণিপুর পেট্রোলিয়ম টেঙ্কর ড্রাইভরস য়ুনিয়নদা অথুবদা শিন্নরক্লদবনি। মহাকপু শিন্নরক্লিবা ফাওবগীদি টেঙ্করশিংনা ষ্টারিং পায়বদগী খোঙজং অসি হন্দোকপা তৌরোই।

খোঙজং মনুং মপানদা পন্দুনা লৈরিবা টেঙ্করশিং চংলকখিরোই। মপান্দা থাও চিংবা অমদি দিপোদা থাও থাবা অমদি চিংথোকপগী থবক পুন্নমক লেপখিগনি হায়রি।

য়ুনিয়নগী মায়কৈদগী ষ্টেটকী চিফ মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর, কেফ এণ্ড পি ডি (কঞ্জুমর্স এফিয়ার্স ফূড এণ্ড পব্লিক ডিষ্ট্রিব্যুসন) গী মিনিষ্টর অমসুং মণিপুর পুলিস ডিপার্টমেন্টকী ডিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিসতসু থৌদোক অসিগী মতাংদা মরিক চুন্না রিপোর্ট য়াওবা অল্টিমেটম অমা পীশিন্দুনা নেস্নেল হায়ৱেশিংদা ড্রাইভরশিংনা থেংনরিবা অৱাবা অসি কোকহন্নবা তকশিনখ্রে হায়রি।

ইমুং-মনুং অমদি লৈহৌরিবা মাগী নুপী অমসুং মচাগীদমক খনবীরগা মরী লৈনবশিংনা সুরজিৎপু য়ুনিয়ন অসিদা অথুবদা শিন্নবীয়ু হায়নসু য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্টনা অপিল তৌখ্রে।

অমরোমদনা ঙসি ওইল পম্প পুন্না থোং লোন্নখিবা অসিনা মরম ওইরগা মীয়াম্না খুদক্কী ওইবা থাও ফংনদবগী অৱাবা অমা মায়োক্লবা হৌখ্রে।